# জপানিজ কুইএল লোয়দুনা শেন্মীৎলোন হেনগৎহনবা



– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

কুইএল ময়াম্না জপানিজ কুইএল হায়না খঙনরিবসি কা হেন্না লূম্বা উচেক নত্তে। মসি চাউরাক্লা গ্রাম ২৫০ লূম্মী অমদি চহী অমদা মরূম ২৫০-২৮০ মুক কোকই। জপানিজ কুইএলসি য়েংবদা লাবা অমদি অমোম ইরায় লায়না খনে দাকপা ঙম্মী। লাবা ওইরগনা মখোয়গী মথবাক্তা খরা পীকশিন্না ৱাওথাংনবা অমদি অঙৌবা মতু হৌই। অদুগা অমোম ওইরগনা ব্রাউন অমদি অমুবা মচুনা পাক্লা হৌবা থেংনবীগনি। কুইএলগী মরূমসি গ্রাম ১০ মুক্তমক লূম্বনিনা য়েরূম অমা লৈরগা চাবা ঙমদবা কাঙবুগীদি মসিনা মহুৎ শিন্দুনা চাবসু য়াই।

**কুইএল য়োকপগী কান্নবশিং ঃ** - কুইএলসি য়াম্না ঙন্না মপুং মরৈ ফাই।

- হাপ্তা ৬ শুরগদি মশা চাবা য়ারে।

য়াম্না পীকপা উচেক মখল অমা ওইবনা শেল চঙদনা মকোন শেন্বা য়াই।

- কুইএলসি য়েন - ঙানুদগী হেন্না মহাও লৈ। মসিদা ফেটকী চাং য়াম্না হন্থে।

- কুইএল মরূমসি কোলেষ্টেরোলগী চাং য়াম্না হন্থে। মরম অসিনা অহল, অঙাং খাক্তনা চাবা য়াই।

- কুইএল মরূমসি মশা অমদি মরূমগী ন্যুত্রেন্টস য়াম্না য়াওবা মরম্না চাজেনবী মমাশিংনা চাবা য়াম্না ফৈ।

**লৈনবা মকোন শাবা ঃ** কুইএলগী মচাসি হেক ওনবদা ঙাইরিবা মতমদদি মৈ নীংথিনা পীদ্রগদি শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। ওনবতা ঙাইরিবা কুইএলসি ঐখোয়না মৈশা পীনবা নীংথিনা শেম শাদুনা থন্বীগনি। অহানবদা ওনবদগী হাপ্তা অনী ফাওবদি কুইএল ১০০ গী ওইনা ৩ X ২.৫ X ১.৫ ফিট ওইগনি অমদি হাপ্তা ৩-৬ ফাওবগীনা কুইএল ৫০ দা ৪ X ১.৫ X ১.৫ ফিট ওইগনি। অহানবা হাপ্তা অমদদি মখোয়না থক্লবা ঈশিং পাত্রদা নূং হাপ্পীদুনা মশাদা ঈশিং চোৎহন্দনবা হোৎনবীগনি অমদি মচীঞ্জাকসু খরা খরা চাইথোক্লগা থন্বীগনি।

কুইএলশিং হাপ্তা ৩ ফারগদি মকোন অমগী মথক্তা অমা লোনখৎনরগা থন্বীবা য়াই। লোনখৎনরিবা মকোনসি টাইয়র হায়নসু খঙনৈ। টাইয়র অমদা কাখল মরি থোক্লা খাইদোক্লগা কাখল অমদা ৬০ সী এম X ৬০ সী এম X ২৫ সী এম ওইহন্দুনা কুইএল ২৫-৩৫ ফাওবা অঙৈং অশাগী মতুংইন্না থন্বীবা য়াই। কুইএল মশেল চিক্লদনবা মচিন অতুম্বদু হাপ্তা ৩ শুরগা ককথৎপীগনি। করিগুম্বা লৈমায়থক্তা ওইনা কুইএলশিং য়োকপীগে হায়রগদি মকোন মথক্তা হাপ্লিবা ৱাইশিংসি সী এম ৯ থানা হাপ্পীগনি। হাপ্তা ৫-৬ শুরক্লগদি মখোয়সি মরূম কোক্লগদৌরিবনিনা উচেক অমদা ১৫০-১৮০ স্কৱার সেন্টিমিটরগী জগাদা থন্বীগনি। কুইএল মচাশিং হেক ওনবগা পুং ২৪ মৈ পীবা মথৌ তাই। মশা চানবা মপূং ফারবা য়োনগদবা ওইরগদি নুমিৎ তরেৎনি ৱাৎলিঙৈদগী পুং ২৪গী মনুংদা পুং ৮ মৈ পীরগা পুং ১৬ পীদবনা হেন্না লূম্বা হেল্লি। পীগদৌরিবা মৈসি নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংবা মফম ওইরগদি তোঙান্না মৈ পীদ্রগসু য়াই।

**মচীঞ্জাক পীজবা ঃ** কুইএল য়োকপদা ব্রোইলর মচীঞ্জাক পীজবা য়াই। মসিদা ব্রোইলর মচীঞ্জাক্তা চেঙকুপ/ৱাইরু অমদি অতোপ্পা মচল য়ানবীগে হায়রগদি মখাদা থমজরিবা অসুম্না য়ানবীগনি।

**টেবল ১ ঃ মচীঞ্জাক শেন্বা**

| মচল | ষ্টার্টর (kg/q) | লেয়র (kg/q) |
|---|---|---|
| ব্রোইলর মচীঞ্জাক | ৬০ | ৪৫ |
| চুজাক মকুপ | ২০ | ২৫ |
| চগেম | ২২ | ২০ |
| চেঙকুপ/ৱাইকুপ | ০৮ | ১৫ |
| থুম/ভিটামিন/মিনরেল | - | ০৫ |
| | ১০০ | ১০০ |

**টেবল ২ ঃ নুংতিগী পীজবগী চাং**

| মতম (হাপ্তা) | পীজগদবা চাং (গ্রাম) |
|---|---|
| ১ | ৫ |
| ২ | ২২ |
| ৩ | ১৫ |
| ৪ | ১৮ |
| ৫ | ২০ |
| ৫ অমদি মথক | ২৩-২৫ |

**মচা হেন্না ওন্নবা লাবা-অমোম থম্মীন্নবা :** মচা লৌনবা লাবা অমগা অমোম মঙাগী চাংদা থন্বীগনি। কুইলশিং হাপ্তা ৫-৬তগী মরূম কোকপা হৌরগসু মচা ওনবগী চাং ৱাংনা ফংনবা হাপ্তা ৮-১০ ফাওবগী মনুংদা লৌবনা হেন্না ৱাংই। মকোন মনুংদা কুইএলশিং য়াম্না চিন্না থন্বীরোইদবনি। নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়বা মফম ওইগনি। করিগুম্বদা লাবগা অমোমগা তোঙান তোঙান্না থন্বীরগদি লাবা হাপ্লবা মতুং নুমিৎ ৪নি লৈরগা মচা কোন্নবা মরূম লৌবীগনি। মরূম নিংথিনা কোক্লবা মচীঞ্জাক কাঙলোন চুম্না নীংথিনা পীজবীগনি। মচাগীদমক্তা কোনগদৌরিবা মরূমশিং থম্বা মতমদা মতোন অতুম্বনা মনুংদা লৈহল্লগা খরা পাকপদুনা মথক থংনা থন্বীগনি। হাপ্তা অমা ফাওবগী মনুংদা লৈবা মরূমশিং কোন্নবা শীজিন্নবা য়াই। মরূমশিং কোন্নবা হাপখ্রব্বা মতুংদা মচা কোনবগী মতমসি নুমিৎ ১৭-১৮নি চঙই।

**কুইএল মচা শেন্নবা :** কুইএল মচা হেক ওনবগা মখোয়দা পীগদৌরিবা মৈশাগী চাংসি ২১-২৪° ফাওবনি। মসিদা নুমিৎ ৪/৪নি লৈরগা ২.৮° সেলসিয়স হন্থগনি। মফম অমগা অমগা অঙৈং অশাগী চাং খেন্নবগী মতুংইন্না খ্বাইদগী লায়বা মওংদি ঐখোয়না পীরিবা মৈশাসি ৱাৎলে হায়রগদি মৈ মনাক্তা পূন্না তাশিন্দুনা লৈবা উগনি। অমরোমদনা পীরিবা মৈশাদু হেনবা ওইরগদি কুইএলশিং লাপ্না লৈবা থেংনগনি।

**কুইএলগী মরূম ঃ** কুইএলনা হাপ্তা ৫-৬ শুরগদি মরূম কোকপা হৌরকই। অয়াম্বনা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা মরূম কোকই। মরূম অমনা গ্রাম ৯-১০ মুক লূম্মী। কুইএল মরূম অমদনা ঈশিংগী চাংনা ৭৪%, প্রোটিনগী চাংনা ১৩%, ফেটকী চাংনা ১১%, কাবোহাইদ্রেটকী চাংনা ১% অমদি মসিদা কোলেষ্টেরোলগী চাং য়াম্না হন্থে।

**কুইএলগী মশা (মীট) ঃ** শেমদোক্লবা কুইএল চাবা য়াবা শাদোংসি ৭০-৭৩% নি। লাবগা অমোমগা লূম্বগী চাংসি অমোম্না হেন্না লূম্মী।

**লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপা ঃ** কুইএলগী পুন্সিসি অঙৈং অশাগী মখা য়াম্না পোল্লি। মরম অসিনা ওনবদা ঙাইরিবা মতমদগী হৌনা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা লৌবীবা, মৈ নীংথিনা পীবীবা য়াম্না মথৌ তাই। মখোয়গী লাইভ সাইকলসি য়াম্না তেনবা মরম্না হৌজিক ফাওবদি টিকা থাদোকপা নৎত্রগা তীল হীদাক থাবসি তৌদ্রি। মখোয়দা য়াম্না কম্মন ওইবা লায়না হায়রগদি মথি অঙাংবা ফাইবা, অঙৌবা ফাইবা অসি খরা থেংনৈ। মসিগী লায়ওংসি উরক্লগদি মনাক নকপা, অখঙ অহৈগা তানবীদুনা ঙন্না লায়েংবীহৌগনি। কুইএলসি য়েনগুম্না লায়না কয়া চেনগন্দে অদুবু খ্বাইদগী মরু ওইবদি চেকশিন্না লূ-নান্না য়োকপীবসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌওং অমনি। মসি তৌবীরগদি শিবগী চাং হন্থবগা হেন্না শেন্দোং লৈনা লোয়বা ঙমগনি। ●

# কম্পোষ্ট শেম্নবগীদমক এন এ দি ঈ পি মেথদ

– ডা. ৱাইখোম জিতেন –

শা-ষণগী মথী-ময়ুং অমদি মখোয়না চাবগী অরেম-অপাশিং অসি পথু-পুমথহল্লবা মতুংদা থারিবা পান্থীশিংগী হার ওইনা মীওইবনা মতম কয়াগী মমাঙদগী শীজিন্নদুনা লাক্লে। অসুম্না শা-ষণদগী ফংলিবা হার অসিবু ষন্থি-ষণয়ুংগী হার (Farm Yard Manure - FYM) হায়রগা খঙনৈ। এফ ৱাই এমনা পান্থীশিংদা পীরিবা কান্নবশিং অসিগা মান্নবা মওংদা পান্থীশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বা অতোপ্পা পোৎলম অমা হায়রবদি, নাপী-শিংবী, চরূ-চনাই, উনা-ৱানা অমদি অতোপ্পা পথু-পুমথবা ঙম্বা পোৎলমশিং পথু-পুমথহল্লগা শেন্বা হার কম্পোষ্টনি। কম্পোষ্ট শেন্বগী তোঙান-তোঙানবা থৌওং কয়া অমা লৈ। ময়াম অদুগী মরক্তগী মহারাষ্ট্রদা লৈবা Narayan Deotao Pandharipande (Nandep Kaka) কৌবা লৌমী অদুনা পুথোকপা কম্পোষ্ট শেন্বগী মওং অসিবু এন এ দি পি মেথদ হায়না ময়াম্না খঙনৈ। থৌওং অসিদা মীওইবগী সেবা য়াম্না চঙদনা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা য়াল্লবা কম্পোষ্ট পুথোকপা ঙম্মী।

কম্পোষ্ট শেমদুনা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্দুনা হার লৈবগী শেল হন্থহল্লি, ওর্গানিক ওইবা মওংদা পোথোক পুথোকপদা মতেং পাংই অমদি লৌউ-শিংউবগী থবক থৌরমশিংদা মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিংদা মীপান তাংবগী চাং হন্থহল্লি। থৌওং অসিনা ফুট ১০ শাংবা, ফুট ৫ পাকপা অদুগা ফুট ৩ লূবা কোম অমদগী থা ৩-৪গী মনুংদা কম্পোষ্ট কেজি ২৫০০ হায়বদি ত্রেক্টর ত্রেলর মপোৎ অমা পুথোকপা ঙম্মী।

লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবা মতমদা ঐখোয়না পাল্লিবা পোৎলমশিং অদু লৌখ্রগা লেমহৌবা পোৎলমশিং অদু লোইশিন খমজিনবদা অৱাবা ওইবা পোৎলম অমা ওইনা খন্নৈ। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মখোয় অসি পথুরগা লৈবাক লৈশা ওইবদা মতম চঙবনা থন্ফম লৈরক্তবা, কম্পোষ্টনা লৌউ-শিংউবদা পীরিবা কান্নবা অসি মপূং ফানা খঙদবা অমদি অরাইবা মওংদা কম্পোষ্ট শেম্নবগী থৌওংশিং খঙদবননি। এন এ দি ঈ পি মেথদনা কম্পোষ্ট শেম্নবগীদমক চরূ-চনাই, উনা-ৱানা, নাপী-শিংবী, চেথী-চেগুম, চাকশঙদগী থোরকপা শীজিন্নদ্রবা পোৎলম অমদি অতোপ্পা পথু-পুমথবা ঙম্বা পোৎলম খুদিংমক শীজিন্নবা য়াই। থৌওং অসিদা ষন্থি কেজি অমা শীজিন্নবা খুদিংগী নীংথিনা কম্পোষ্ট ওল্লবা পোৎলম কেজি ৪০ পুথোকপা ঙম্মী।

কম্পোষ্ট শেম্নবগী কোম অদু লৌফম/ইঙ্খোলগী খরা তোংবা ঈশিং থুমজিল্লোইদবা মফম ওইবগা লোয়ননা মরাক ময়ুং নাইবা লৈমায়দগী ফুট ৩ ৱাংখৎপা চেক্সী কোম অমা শেন্বীগনি। কোম অদু বিলাটিমাতিনা চনবা কোম ওইদ্রবসু চেক অমদি লৈবাক্তনা চনবা য়াই। অদুগা কোমগী মনুংগী লৈমায় অদু চেক্লা চনশিনদ্রবসু থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে।

ইঙ্খোল/লৌফমগী মচি অমদা ফুট ১০ শাংবা ফুট ৫ পাকপা অদুগা লৈমায়দগী ফুট ৩ ৱাংখৎপা চেক্সী কোম অমা শেন্বীরো। কোম অদুগী লৈমায়দগী ফুট অমা ৱাংখৎপা মফমদগী কোম অদু শেন্বা মতমদা চেক অমা চনবা খুদিংগী থংনবা চেক অমগী মফমশিং নুংশিৎ চঙনবা হাঙহন্দুনা থন্বীরমগদবনি।

**কম্পোষ্ট শেন্বদা চঙগদবা মচাকশিং :-**

ক) লৌফমদগী থোরকপা অশংবা/অকংবা লেমহৌখাক - কেজি ১৩৫০-১৪০০

খ) ষন্থি/বাইওগ্যাস মহী - কেজি ৯৮-১০০

গ) অফবা লৈবাক লৈকুপ - কেজি ৬৬৭৫

ঘ) ঈশিং - লিটর ১৩৫০-১৪০০ কোমশিং অসিদা পোৎলমশিং অসি হাপ্পীবা মতমদা অমুক্তদা হাপ্পীগনি। য়ারবদি নোংমগী মনুংদা য়াল্লবদা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা থন্নবা হাপ্পীগনি। কোম অদুদা পোৎলমশিং হাপত্রিঙৈদা কোমগী ফক্লাং অমসুং মনুংগী লৈমায়শিং অদু ষন্থি কেজি ৪বু ঈশিং লিটর ১০০দা থিৎলগা চাইথোকপীগনি। অসুম্না চাইথোকপীবা লোইরগা হাপকদবা পোৎলমশিং অদু লৈরোল/লৈরোল নাইনা হাপ্পীগনি।

**অহানবা লৈরোল :**- মখা ইথং থংবা লৈরোলদা উসা-ৱাসাগুম্বা খরা পৌবা পোৎলমশিংনা ইঞ্চি ৪-৬ থানা হাপ্পীদুনা নুংশিৎ চঙবা য়ানবা মওংদা শেন্বীগনি।

**অনীশুবা লৈরোল :**- ষন্থি কেজি ৪গা ঈশিং লিটর ১০০গনা শেন্বা মহী অদুগা মখা থংবদা লৈখিবা পোৎলমশিং অদু চোৎনবা মওংদা চাইবীগনি।

**অহুমশুবা লৈরোল :**- লৈবাক লৈকুপ কেজি ৬০না ষন্থি মহী চাইখ্রবা লৈরোলগী মথক্তা লৈতেম মান্ননবা চাইবীগনি। লৈরোল অমদা লৈগদবা লৌউ-শিংউবগী লেমহৌখাক অসি চাউরাক্লা কেজি ১০০মুক ওইগদবনি। লেমহৌখাক চাউরাক্লা কেজি ১০০ + ষন্থি কেজি ৪ + ঈশিং লিটর ১০০ + লৈবাক লৈকুপ কে জি ৬০ ওইবা লৈরোল ১০-১২ শেন্বদা মথক্তা পীখিবা কোমগী অচৌবা অদু থনগনি।

কোম অদু তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংনা লৈরোল নাইনা শীবিরগা লৈখোম নৎত্রগা ষন্থি-লৈঙোইনা ৱাই তৈশিন্দুনা থন্বীগনি। অসুম্না থল্লবা কোম অদু নুমিৎ ১৫-৩০নিগী মতুংদা কোমগী লৈমায় অদু কুৎথরক্কনি। কুৎথরক্লিবা মফম অদু মথক্তা পনখ্রিবা মওং অদুদা লৈরোল নাইনা লেমহৌরিবা পোৎলমশিংনা হাপচিনবীরগা অমুক হন্না ৱাই তৈশিন্দুনা থন্বীগনি। অসুম্না ৱাই তৈশিন্দুনা থম্বা কোম অদু ঈনিল ৱাক্তনবা নুমিৎ ৫-১৫ খুদিংগী ঈশিং চাইবিবদা নক্তনা লেঙহন্দনা থন্বীগনি। নীংশিংবীগদবদি ৱাই তৈশিন্দুনা থল্লিবা লৈমায় অদু চেকখাইরক্লবদি মেনশিনবীগনি। অসুম্না শেল্লবা কোম অদুগী মথক অদু চরূ/ইনা কুপ্পীদুনা নুংশা য়ৈহল্লোইদবনি।

মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনগদবা লৌউবদগী থোরক্লিবা পোৎশিং অদুনা কম্পোষ্ট ওন্থোক্তুনা মদুদা য়াওগদবা নাইট্রোজেন ১.৫%, ফোসফরস ১%, পোটাশ ১.৫% অমদি লেমহৌরিবা পান্থীগী মচীঞ্জাক মচল শুনা য়াওরবা হার ওন্থোকসি। অসুম্না হার শেমদুনা শীজিন্নবনা লিশাং শিংনা লৌউবা য়াবা মফম ওইহনগনি। শেন্থোক হেনগৎহনগনি, পোথোক মরাং কায়না পুথোকপগা লোয়ননা হু চেন্দবা পোৎলম চাবদগী হকচাং ফনা লৈদুনা পূন্সি নুংশাংহনগনি। ●

# জিরো বডজেট নেচরেল ফার্মিং : অনৌবা লৌউ পথাপ অমা

– লোংজম বোরিস –

মালেমগী লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা কেমিকেলশিংনা চাথোক চাউনা হেনগৎহল্লবসু অকোয়বগী খলদা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি অমদি লৈবাক লৈহাওদা অমাঙবা কয়া পীরি। রাসায়নগী হীদাক হার কা হেন্না শীজিন্নবনা লৈবাক লৈহাওদা Cd, Mn, Zn নচিংবা তোঙান তোঙানবা ধাতু কয়া লৈবাক মনুংদা লৈবা ঈশিংদা য়াওবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎহল্লি। অমরোমদা Atrazine অমদি metilachlor নাপী হীদাক কা হেন্না শীজিন্নবনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওজবা কান্নরবা PGPR( plant growth promoting rhizobacteria) শিং হাত্তোকই। লৌউ-শিংউবদা শেল কা হেন্না চঙবা হেনগৎলকপা অসিনা অতোপ্পা শেল হেন্না চঙদবা লৌউ পথাপ অমা মীয়াম্না থিনবা হৌরক্লে। হোংলক্লিবা অসিগী মতুংইন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা Zero Budget Natural Farming বু পান্থে অমা ওইনা চাংয়েং তৌরি।

Zero Budget Natural Farming হায়বা অসি শেল ইচং চঙদনা, হারনচিংবা মখল মখা কয়াগী পোৎচংশিং য়ারিবমখৈ ইশাগী লৌফমদা পুথোকচদুনা শীজিন্নবা অদুবু খঙনৈ। কুমজা নাইন্টিন নাইন্টিজগী মতম Subhas Palekar না গ্রীন রেভল্যুশনগী অতোপ্পা পান্থে অমা ওইনা ইহান হান্না চাংয়েং তৌখি অমদি মায় পাকখি। য়ারিবমখৈ লৌফমদা ফংবা তোঙান তোঙানবা পোৎচং খক্তমক শীজিন্নদুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপনা ZBNF গী থৌওং ওইরি।

ZBNF গী মরু ওইবা যূন্বী মরি অদুদি :-

1. Jivamrita/Jeevamrutha
2. Bijamrita
3. Acchadana/Mulching
4. Whapasa

**1. Jivamrita :** Jivamrita শীজিন্নবনা পান্থীগী লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা মচীঞ্জাক লায়না ফংহনবদা চাউনা মতেং পাংই। ষন্থি কেজি ১০, ষণয়ুং লিটর ৫, বেশন কেজি ২ পূনশিন্দুনা শেন্বা Jivamrita না তা অমদা 200L গী চাংদা লৌফম অমদা অনীরক চাইবা য়াই। পান্থীদা মচীঞ্জাক ফংহনবা খক্তা নত্তনা Jiamrita না কোকফাই শুজা অমদি বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া তাহন্দবদা চাউনা মতেং পাংই। লৌ লৌরাক ৩০দা Jivamrita শেম্নবা লোকল ষণ অমা মথৌ তাই।

**2. Bijamrita :** থাগদবা পান্থীগী মরূদা তোৎপদা Bijamrita শীজিন্নৈ। Bijamrita শীজিন্নবনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা তোঙান তোঙানবা মহীকশিংনা পান্থীনা নৌরিঙৈদা থোকহনবা লায়নাশিং তাহন্দবদা চাউনা মতেং পাংই। ঈশিং লিটর ২০দা ষন্থি কেজি ৫, ষণয়ুং লিটর ৫ অমদি লৈবাক খুবাম অমা শীজিন্নদুনা Bijamrita শাবা য়াই। Indole Acetic Acid অমদি GA3 hormone পান্থীনা পুথোকহন্দুনা পান্থীদা লায়না তাহন্দবা ঙম্মী।

**3. Acchadaana :** চরূ, লৈবাক্লচিংবা পোৎচঙ শীজিন্নদুনা হৱাইনচিংবা পোৎ চৈ থাবা মতমদা কুপশিন্দুনা থম্বনা নাপী হৌদনবা নাপী হৌবগী চাং হন্থহল্লি। Acchadana শীজিন্নবনা পান্থীনা লৈবাক লৈহাওদা তোঙান তোঙানবা মাইক্রো অমদি মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং ফংবগী চাং ৱাংহল্লি। কালেনগী মতমদা লৈবাক লৈহাওদা য়াম্না কা হেন্না শাবা থোকহন্দে অদুগা নীংথমথা মতমদনা ঈংবগী চাং হন্থহল্লি।

**4. Whapasa :** Whapasa শীজিন্নবনা পান্থীনা মথৌ তাবা ঈশিংগী মতুংইন্না পীনবনা মপূং ওই। লৈবাক লৈহাওদা ঈশিং চাং ৱাংনা নৎত্রগা কা হেন্না নেম্না য়াওবনা পান্থীনা নীংথিনা হৌবদা অপনবা পী।

Zero Budget Natural Farming দা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা পান্থেশিং -

**A. Agniastra :** Agniastra শীজিন্নবনা পান্থীদা তাবা মনা চাবা তীলশিং Leaf roller, Stem borer, Fruit borer, Pod borer তীলশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। ষণয়ুং 10L, হীদাক মনা কেজি ১, মোরোক অশাংবা 500g, চনম 5000g অমদি তকখায়রবা নীম মনা শীজিন্নদুনা শেন্মী। ঈশিং লিটর ১০০দা Agnistra 2L গী চাংদা হাপ্তুনা পান্থীদা কাপথোকপনা তীলশিং অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

**B. Brahmastra :** Brahmastra শীজিন্নবনা মহী চূপ্পা, মনা চাবা অমদি মহৈ চাবা তীলশিং লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই। নীম মনা, শম্বল্লৈ মনা, অৱাথবী মনা, কফোই মনাশিংদগী শেন্বা Brahmastra না মথক্তা পনখ্রিবা তীলশিং লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই।

**C. Neemastra :** Neemastra না মহী চূপ্পা তীল অমদি mealy bugs লাকশিনবগী ওইনা শীজিন্নৈ। শাবদা চঙবা পোৎচংশিংদি ষণয়ুং লিটর ৫, ষন্থি কেজি ৫, নীম মনা কেজি ৫নি। পুং ২৪ চেৎনা মখুম খুমজিল্লগা থন্বীরবা মতুংদা শীজিন্নবা য়াই।

ZBNF না পীবা কান্নবশিং :-

• ZBNF পায়খৎপদা কা হেন্না শেল তিংবা ওইদে।

• নেচরেল ফার্মিংদা চঙবা ঈশিংগী চাং অসি চাদা ১০ খক ওইদুনা ঈশিং চঙবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। রসায়নগী হীদাক শীজিন্নদবনা লৈনুংদা লৈবা ঈশিংদা হেভি মেটালশিং অমদি হকচাং শোকপা য়াবা কেমিকেলশিং য়াওবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি।

• ষণ অমনা পীবা ষন্থিনা একর ৩০দা শীজিন্নবা য়াই।

• হার অমদি তীলহাৎ হীদাক্তা শেল চঙহন্দবনা লৌউ-শিংউবদা শেল চঙবগী চাং য়াম্না ৱাংনা হন্থহল্লি। ঈশিংগী অৱাৎপা ওইবা মতমদা জেদ বি এন এফনা পান্থীগী ঈশিং ৱাবা মতমদা নীংথিনা হৌহনবা ঙমহল্লি।

• নেচরেল ফার্মিং পায়খৎপনা লৌমী অমনা চহী অমদা থাদোক্লম্বা কার্বোন কেজি ৪০০ হন্থহন্দুনা লৈবাক লৈহাওদা ফাজিনবা ঙমহল্লি অমদি লৈবাক লৈহাওগী চাথোকসু হেনগৎহল্লি।

নেচরেল ফার্মিংদা থেংনবা খুদোংচাদবশিং :

• অচৌবা মফমদা নেচরেল ফার্মিংগী লৌউ পথাপ পায়খৎপদা মথৌ তাবা ষণগী মশীং য়াম্না য়াম্মী অমদি খূৎলং কা হেন্না চঙই।

• নেচরেল ফার্মিংদগী পুথোরকপা পোৎচঙশিং য়োনবা মতমদা রসায়নগী হীদাক শীজিন্নদুনা পুথোকপা পোৎ চৈগা মমল তাঙবা মরম্না য়োনবদা খুদোং চাদে।

• কা হেন্না শাথিনা লায়না তীলনা তারবা মতমদা নেচরেল ফার্মিংগী থৌরাংনা লায়না তীলনা মপূং ফানা ফহনবা ঙমদে। বিজ্ঞানিক ওইবা মওংদা পোৎ অমা থাবগী অখন্নবা মওং মতৌ পীবা ঙমদ্রি।

Zero Budget Natural Farming অসি অকোয়বগী খল কায়হন্দবা অমদি মীওইবগী হকচাং শোকহন্দবা ঙম্মী। লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা মায় পাক্লা পায়খৎতুনা শেল কা হেন্না চঙদনা লৌউ পথাপ অসি পায়খৎপা তঙাইফদ্রে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৪গী ৱাহং

১) ‘‘চহী অনীমুক্কী মমাঙদা, ইংরাজিদা ইবা কন্নড (Kanada) গী ৱারীমচাশিং মণিপুরীদা হন্দোকপগী মীটিং অমা ইম্ফাল কোলেজদা পাঙথোকখি।’’ ৱাহৈপরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ‘ৱাহৈখরদং’ হায়বদুদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসি কনানো? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

২) ‘‘মাঙলবা লমদম’’ হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) ‘‘হনুবগী নিংঙাই’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) ‘‘তখেলদা মণিপুরী’’ হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা অইবা অমগী লাইরিক্নি। লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) ‘‘মৈত্রবাক্তা ওংজবী’’ হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং ইয়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।